**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-01-2025)**

**গভনর (এল)ঃ** রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি চুরাচান্দপুর কলেজতা নৌনা শাবা ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি (আই.টি) সেন্টর শঙ্গাখ্রে। আই.টি. সেন্টর অসি গৃহ মন্ত্রালয়গী শেন্থং মখাদা শাবনি। শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ধরুনকুমার এস. শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা মহৈরোইশিংগা ৱারা শান্নখি অমদি মখোয়গী মোতশিং তাখি। মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নবা অদুদা রাজ্যপালনা হায়-রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লকবা অমদি মহৌশাগী ফিভমদা হনজিলহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি। মহৈরোইশিং হায়বসি লৈবাক অসিগী তুংগী মীরোলনি হায়রদুনা মখোয়বু অশোয়-অঙাম থোকহনবা হায়বসি কৈদৌনুংদসু পামদে। মদুগী তুংদা, রাজ্যপালনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিং অমদি মীওই কয়াগা উন্নদুনা মফম অদুদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি। শান্তি হনজিলহন্নবা জিলা অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগা সি.এস.ওশিংগা পুন্না থবক তৌমীন্নবা রাজ্যপালনা আপিল তৌখি।

রাজ্যপালনা তুইবোংদা হাংবা সদভাবনা মান্দবতা চৎতুনা মফম অদুদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি অমদি তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

ইম্ফাল হল্লকপগী লম্বীদা রাজ্যপালনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা হাংলিবা চিংঙু থাংজিং গেষ্ট হাউস রিলিফ কেম্পতসু চংখি। মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগা ৱারী শান্নখি অমসুং তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

**এরেষ্ট(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী সুগ্ সিফাই অমসুং ফুবালাদা ঙসি থিবা হুম্বগী থবক চথ্বদা প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা ফাগৎলে হায়রি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার-থৌবালনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ একচেঞ্জ প্রোগ্রাম থৌবাল জিলাগী খোংজোম মেগা টুরিষ্ট সেন্টরদা লৈবা গেষ্ট হাউসতা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

থৌবাল অমসুং চান্দেল জিলাগী নহাশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অনি অসিগী নহাশিংনা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরমশিংসু উৎখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** হম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা লুৱাংশংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী অখন্নবা, গ্রাম সভা মীফম ঙসি লুৱাংশংবম ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জি.পি.দি.পি ২০২৫-২৬, লেবর বজেট য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা খন্ন-নৈনখি।

**ৱাটর (এল)ঃ** ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর টুনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা য়ুমথোং খুদিংদা ঈশিংগী কন্নেক্সন পীবা অমসুং মসিগী টেক্স খোমগৎপগী থবক পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী কর্ম্মচারিশিংগী দায়ত্বনি।

পি.ঐচ.ই.দি. মনিপুর ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন টুগী ইগজকিটিব ইঞ্জিনিয়ারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-হায়রিবা থবকশিং অসিদা বিভাগ অসিগী কর্ম্মচারিশিং নত্তবা অতোপ্পা মীওই অমত্তনা খুৎ থিংজিনবীগনু।

**টিবি(এল)ঃ** ষ্টেট লেপ্রোসি ওফিসার-ডা: সলাম বোচা সিংহনা হায়রি-সব নেসনেল লেবেলদা লেপ্রোসি লায়না অসি ইং কুমজা ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী মুখৎনবা পান্দম থল্লি।

লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা মেদিকেল দাইরেক্তোরেটকী ষ্টেট হেলথ সোসাইতিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা মেদিয়া সেন্সিটাইজেসন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ডা: বোচানা হায়-লেপ্রোসি হায়বসি ভারতকী ওইনা রাজ্য অয়াম্বদা মুখৎপগী থাক্তা লৈরে। লায়না অসি হৌজিক্তি মীওইবগী হকশেলদা শিংনবা অমা ওইদ্রে। মহাকা হায়-চহি ২০ লোমগী মমাংদা মনিপুরদগী লায়না অসি মুখৎপা ঙম্বগী থাক্তা লৈখ্রবসু হৌজিক রাজ্য অসিদা মসিগী কেস খরা লৈরি। লায়না অসি খ্বাইদগী লীরবা লায়না মখল অমনি। লায়না অসিগী মতাংদা মীয়ামদা লৈরিবা ৱাখল্লোন হন্থহন্নবা হোৎনবদা মেদিয়াগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

ডা: বোচানা হায়-লায়না অসি থোইদোকা কিনিংঙাই ওইদে। মসি লায়েংদুনা মপুং ফানা ফাহনবা ঙম্মী। ভারত সরকারনা ইং ২০২৭ ফাওবদা লৈবাক অসি জিরো লেপ্রোসি থমবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নসি। মহাক া হায়-ইং ২০২৪ গী এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবদা অনৌবা কেস ১১ থেংনখ্রে। মসিগী মনুংদা কেস ২১ দি লায়েংলি। ডা: বোচানা হায়-রাজ্য অসিগী জিলা ১৬ কী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচিংদা লেপ্রোসিগী কেস লৈরি। চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, চান্দেল, তেংনৌপল, কামজোং, উখ্রুল, জিরিবাম অমসুং সেনাপতিদদি লেপ্রোসিগী কেস লৈত্রে। নোনে অমসুং তমেংলোং জিলাদা হান্নবা কেস লৈরুদ্রবা মতুং নৌনা কেস অমমম থেংনরে।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী মচি সব দিভিজনগী এস.এল.জোগামদা কুকি খুলগী খুল্লাকপশিংগা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

খুল্লাকপা ১৬ রোমনা শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা লমদম অদুদা শান্তি

অমসুং নুংশি চান্নবা লৈনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। মীফম অদুদা লমদম অদুদা শান্তি থমবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং লুচিংবশিংগা মতেং পাংনবগী মতাংদসু ৱাফমশিং খন্নখি হায়রি।

**ডে (এল)ঃ** দা ইন্দিজিনস পিপলস ওর্গনাইজেসন মনিপুর (ইপোম) না শিনদুনা রিকোন্সোলিদেসন ডেগী থৌরম লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎতা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংঙু নাউদাখোং অৱাং লম্পাক্তা পাঙথোক্লুগনি হায়না ইপোমগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**মীফম (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মনিপুরনা চথরক্লিবা ১৯১ শুবা নেসনেল রিকোন্সোলিদেসন মন্থগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইরমদম কনবা লুপকা খুৎশমরগা কৈবী মনা চীংদা লৈবা ইরাবত মেমোরিএল পার্কতা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইসি হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনখি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ন্যু দিল্লিদা ঙসি সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি.বি.আই) না পুথোকপা ভারত পোল পোরটেল হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-পোরটেল অসিগী মতেংনা ইন্টরনেসনেল ইনভেষ্টিগেসনগী লমদা অনৌবা মায়ওন অমদা চংশিল্লগনি। মহাকা হায়-হৌজিক্তি পোরটেল অসিগী মতেংনা থিজিন হুমজিনবগী এজেন্সিশিংনা ইন্টরপোলগা পাউ ফাওনদুনা মরুওইবা ইনর্ফোমেসনশিং ফংবা ঙম্লগনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-মসিনা দ্রগ ত্রাফিক্কিং, আমর্স স্মগ্লিং, টেরোরিজমগা মরী লৈনবা ক্রাইম, মী লল্লোনবগী কেসশিং থেংনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-ভারত পোল পোরটেল অমসুং অনৌবা ক্রিমিনেল লো

অহুম অসিনা মরাল লৈরবা মীওইশিং লৈবাক থাদোক্তুনা মীরৈবাক্তা চেনখিবশিং ফানবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়-ভারত পোল পোরটেল অসিনা হিংশা লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা দায়ত্ব লৌবগা লোয়ননা মসিনা রাজ্য পুলিসশিং অমদি লৈবাক ১৯৫ কী ইন্টরপোল নেটৱাককা শমহল্লগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সি.বি.আইগী ওফিসার অমসুং ওফিসিএল ৩৫ দা পুলিস মেদলসু য়েন্থোকখি।

**ইসিঃ** সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভাগী মীখল ফেব্রুৱারী ৫ দা পাঙথোক্লগনি। ভোট মশিংনা ফেব্রুৱারী ৮ দা থিগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি লাউথোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা চীফ ইলেক্সন কম্মিসন্নার-রাজিব কুমারনা হায়-মীখল অসিগী নোটিফিকেসন থা অসিগী ১০ দা থোক্কনি অমসুং মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ১৭ তনি। মহাকা হায়-মীখল অসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১৩,০৩৩ হাংদোক্কনি। মীখল অসিদা ভোটর কোতি অমা লাখ ৫৫ না ভোট থাদনগনি।

ইলেক্সন কম্মিসননা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিববু বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা তরামা ওক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মহাকা হায়-মীখল হায়বসি গনতন্ত্রগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্হৈ অমনি। মসিনা চাউখৎপা অমদি অফবা লৈঙাক সাসন লৈহনবগী লম্বী অমনি। দিল্লিগী মীয়ামনা মীখলগী মতমদা থোরক্তুনা মখোয়না পাম্বা সরকার লৈহন্দুনা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি।

**য়ুহারঃ** নেপাল-টিবেৎ ঙমখৈ লমদমদা য়ুহার হাবদা শিবা মীগী মশিং ৯৫ শুখ্রে।

চাইনা সরকারগী মেদিয়া রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অসিদা মীওই ১৩০ অশোক অপন নংলে। ঙসি অয়ুক লমদম অদুদা রিক্তর

স্কেলদা ৭.১ য়ৌনা য়ুহার হাখিবনি। মসিগী ইপিসেন্টরনা টিবেৎ ওটোনোমস লমদমগী নেপাল ঙমখৈ পরিংগী জিজাংদনি। মফম অদুদা লৈবা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকপগা লোয়ননা মীওই কয়াসু অশোক অপন নংখি। য়ুহার হাখ্রবা মতুংদা অপ্তুর সোক্স অনিরক থোকখি। য়ুহার হাবা অসি অৱাং ভারত, বিহার, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং সিক্কিমগী মফম কয়াদসু নিকখি। অদুমওইনমক, হৌজিক ফাওবা অশোক অপন, অতেক অকায় থোকপগী পাউ লৈতে।

**ভারত্তিয়াঃ** ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা-২০২৩ গী সেক্সন ৪৭৯ চৎনহন্নবা কেন্দ্রনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহনখ্রে। সেক্সন অসিগী মতেংনা জেলদা বোন্দি ওইনা ত্রাইয়েল চথরিবা মীগী মশিং হন্থহন্দুনা অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজনরশিংদা মতেং ওইহনগনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা খঙহনখ্রে। অনৌবা নিয়ম অসিগী মখাদা ফার্ষ্ট টাইম ওফেন্দরশিংগী ওইনা মহাক্কী জেলদা লৈগদবা মতমগী শরুক অহুম থোকপগী অমা মপুং ফারবা মতুং বোন্দা থাদোকপা য়াহল্লগনি হায়রি।

**অসামঃ** অসাম সরকারনা গুনোতসব ২০২৫ গী অহানবা তাঙ্কক ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌরাং অসিগী মখাদা রাজ্য অদুগী জিলা ১১ দা লৈরিবা সরকারগী স্কুল লিশিং ১৬ কী মহৈরোই লাখ ১৪ রোমগী পার্ফোমেন্স য়েংশিন্নবনি। অসাম সরকারগী থৌরাং অমা ওইনা পায়খৎলিবা গুনোতসব অসিনা রাজ্য অদুদা লৈরিবা সরকারগী ইলিমিন্টেরি অমসুং সেকেন্দরি স্কুলশিং কোনশিনগনি। ইভ্যালুয়েসন অসিগীদমক রাজ্য শিনবা থুংবদা ইভ্যালুয়েটরশিং হাপখ্রে। ইভ্যালুয়েটরশিং অসিগী মনুংদা মুখ্য মন্ত্রি, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরি, সরকারগী ওফিসিএলশিং অমসুং কলেজ ওজাশিং য়াওগনি। য়েংশিনবা অসি

শগোলশেল নুমিৎতা লোয়শিনগনি।

**ইংবাঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়রি-অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা হয়েং ময়াই ওইরপ নোং চুগনি।

বিভাগ অসিনা হায়-হিমাচল প্রদেস অমসুং নোংচুপ থংবা রাজস্থানগী মফম কয়াদা হয়েং অইংবা নুংশিৎ শিৎকনি। বিহার, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং উত্তর প্রদেসকী মফম কয়াদা লৈচিল কুংনা থাগনি। সব-হিমালয়ান ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং সিক্কিমগী মফম কয়াদসু লৈচিল কুংনা থাগনি।

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ, ময়াই থংবা শরুক অমসুং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ২ দগী ৪ ফাওবা হন্থরবা য়াই।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, নাউরেম ভিক্তরদগী--**

**হোকিঃ** উত্তরাখন্দনা য়ুম্ব ওইদুনা থা অসিগী ২৮ দগা মথং থাগী ১৪ ফাওবা হরিদুৱারদা পাঙথোক্কদবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরগী নুপাগী হোকি টিম অমসুং নুপীগী হোকি টিম ক্বালিফাই ওইরে।

মনিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়-নুপাগী হোকি টিম ইং ১৯৯৯ গী মতুংদা গেমস অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবনি। অদুগা নুপীগী টিমনা চহি ২৪ গী মতুংদা ক্বালিফাই ওইবনি। গেমস অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ৯ দগী ১১ ফাওবা খুম্মন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

**রোয়িং(এল)ঃ** থা অসিগী ২৮ দগী হৌদুনা মথং থাগী ১৪ ফাওবা উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্কদবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা শরুক য়াগদবা রোয়িং মশান্নগী

শান্নরোই অমসুং ওফিসিএলশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** তরেৎশুবা পি.ঐচ. ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.ঐচ.সিনা কে.ৱাই.পি.সিব্ পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এম.এম.সি-মোংখাংলম্বীনা কে.ৱাই.ও-কোংবা নোংথোম্বম লৈকাই পাঞ্জল ৩-২, বি.এস.য়ুনা এফ.এফ.সি.সি.এবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচতা-বি.টি.ৱাই.সি (বি) অমসুং এস.ৱাই.দি.এ. পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চঙখরিবা অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল অন্দর ফিফতি বোইস ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ঙসি হিয়াই টিম (এ) লাক্তবদগী দব্লিয়ু.এ.সিনা ৱাক ওভর ফংখ্রে। অদুগা পান্থোইমী ফুটবোল ক্লব লাক্তবদগী মঙাল এফ.এনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** গুজরাটকী অহমেদবাদতা থা অসিগী মরিদগী তরুক ফাওবা চঙখিবা ১৬ শুবা জ্নিয়ার নেসনেল ফুটসাল চেম্পিয়নসিপতা মনিপুর রন্নরস অপ তাহৌরে। চহি ১৯ মখাগী কাংলুপ্তা অসামনা মনিপুরবু পাঞ্জল ৫-৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এন.সি.এ. নিংথৌখোংনা কে.সি.দি.ও. কোংপালবু রন-৮৫ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা কে.এস.দি.ও-কিয়ামগৈনা

আই.বি.এস.এ.-য়ুমাম লৈকাইবু ৱিকেট অনিদা থোইখি।

**ক্রিকেট(এল)**ঃ ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেলনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু-ললাম্বুংবু রন-১৪ দা থোইখ্রে।

**ক্রোস(এল)**ঃ থা অসিগী ১২ দগী হৌদুনা উত্তর প্রদেসকী মিরটতা পাঙথোক্কদবা ৫৯ শুবা নেসনেল ক্রোস কন্ট্রি চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।